ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, সেপ্টেম্বর ০৬, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৫৮শুবা মশীং

## থাংজদা স্কুল বেগ পুহন্দনবা থৌরাং

### লৈঙাক্না থেঙলবসু থেঙনা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং লৌখৎলক্লে

নৌজরিবা মহৈরোয়শিংনা নুমীৎ খুদিংগী অরূম-অরূম্বা স্কুল বেগ পুবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংলগা মণিপুর লৈঙাক্না থাংজ নুমীৎ খুদিংগী ক্লাস ৱানদগী ঐথ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং স্কুল বেগ পুহন্দনবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি তরাম্না ওকফম থোকই। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন কম্মিস্নরনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি, ক্লাস ৱানদগী ঐথ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা নুমীৎ খুদিংগী সিলেবস/করিকুল্যমগা মরী লৈননা লাইরিক তৌবা অমসুং হোম ৱর্ক তৌবা হোৎনরিঙৈদা শান্ন-খোৎনবা অমসুং এক্সট্রা কো-করিকুল্যর এক্টিভিটিগী মতম কাইথোকপা ঙমদ্রে। মহৈরোয়শিংদা কা-হেনবা পোৎলুম অমা পীবগী মহুৎতা য়াম্না নুংঙাইবা মওংদা মহৈ-মশিন তমজনবগী খুদোংচাবা ফংহনবা ওইনা থাংজ নুমীৎপু "নো স্কুল বেগ দে" ওইনা লাউথোক্লে। গবর্ণমেন্ট, গবর্ণমেন্ট এইদেদ অমদি অনএইদেদ/প্রাইভেট স্কুলশিংদা থাংজ নুমীৎ খুদিংগী ক্লাস ৱানদগীনা ঐথ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয় খুদিংমক স্কুল বেগ পুহল্লোইদবনি। মদুগী মহুৎতা গেমস এন্দ স্পোর্টসনচিংবা এক্সট্রা কো-করিকুলর এক্টিভিটিশিং তৌহন্দুনা মহৈরোয়শিংবু নোংমা- ফাদোক পুক্নিং মকা লান্নবগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি হায়না এদ্যুকেসন কম্মিস্নরগী ওফিস মেমোরেন্দমনা ফোঙদোকখি। তৌবগীবুদি মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা যুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টনা মহৈরোয়শিংদা কা-হেনবা পোৎলুম পীদনবা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রবনি। ষ্টেট অমদি যুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তা লৈরিবা স্কুলশিংনা খুদক্তগী চৎনগদবনি হায়না পীখিবা মিনিষ্ট্রিগী গাইদলাইননা হায়খি, ক্লাস ৱান অমদি টুগী মহৈরোয়শিংদা হোমৱর্ক পীবা য়ারোই। লোয়ননা লেংগ্বেজ অমদি মেথমেটিক্সতগী হেন্না অতোপ্পা সবজেক্ট অমত্তা তমহল্লোইদবনি। ক্লাস থ্রীদগী ফাইব ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদনা লেংগ্বেজ, মেথমেটিক্স অমসুং ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্স খক্তমক তমহনগদবনি। স্কুল অমত্তনা মহৈরোয়শিংদা অহেনবা লাইরিক তমহনবা য়ারোই হায়না পল্লদুনা মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমনা হায়খি, ক্লাস ৱান অমদি টুদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী স্কুল বেগ কিলোগ্রাম ১.৫ দগী হেন্না লূমহনবা য়ারোই। ক্লাস থ্রীদগী ফাইব ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা কিলোগ্রাম ৩; ক্লাস সিক্সতগী সবেন ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা কিলোগ্রাম ৪; ক্লাস ঐথতগী নাইন ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা কিলোগ্রাম ৪.৫ অমসুং ক্লাস টেনদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা কিলোগ্রাম ৫দগী হেন্না লূম্বা স্কুল বেগ পুহল্লোইদবনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টনা খঙহনখি।

অঙাংশিংদা কা-হেন্না লূম্বা স্কুল বেগ পুহনবগী ৱাফম মতম কয়াগী মমাংদগী য়েৎনদুনা লাক্লবনি। মমাং চহীগী মে থাদা মদ্রাজ হায় কোর্টনা ক্লাস ৱান অমসুং টুগী মহৈরোয়শিংদা হোম ৱর্ক পীরোইদবনি, লোয়ননা স্কুল বেগকী অরূম্বা হন্থহনগদবনি হায়না সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টতা য়াথং পীখি। কুমজা ২০১৫দা সেন্টরনা স্কুল বেগকী অরূম্বা হন্থহনবা গাইদলাইন পীখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৬তসু সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ)না বোর্দ অসিদা এফিলিয়েট তৌবা স্কুল খুদিংমক্তা স্কুল বেগকী অরূম্বা হন্থহনবা খঙহনখি। কুমজা ২০১৫দা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টনা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া ২৫দা পাইলোট প্রোজেক্ট অমা পায়খৎতুনা দিজিটেল ওইবা মওংদা মেথমেটিক্স অমসুং সাইন্স তমহনবা থৌরাং লৌখৎখি। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, কা-হেন্না লূম্বা স্কুল বেগ পুবা মতমদা অঙাংশিংগী স্পাইনেল কোর্দতা অকায়বা থোকহল্লকপগা লোয়ননা শ্বাঙ নাবা অমসুং নরভস সিষ্টম শোকহল্লকপা য়াই। আইরলেন্দগী দল্লিনদা চৎথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, অঙাংশিংনা নঙ্গলদা অরূম-অরূম্বা স্কুল বেগ পোরগা পুবা মতমদা লেংজুম, য়াঙলেন অমদি শ্বাঙ নাবগা লোয়ননা হকচাংগী ফীভম (বোদি পোসচর)দা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই। মতম শাংনা অরূম্বা স্কুল বেগ পোদুনা চৎলবদি য়াঙলেন শরু অমদি নরভস সিষ্টমদা অকায়বা থোকহন্দুনা ব্রেন অমদি হকচাংগী মরক্তা নীংথৌনা পাউ ফাওনহনবা ঙমদে। পূম্নমক অসিগী য়েংলগা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৪দা রাজস্থান গবর্ণমেন্টনা শ্বাইদগী ইহান-হান্না অঙাংশিংগী স্কুল বেগ লূম্বা হন্থহনবা থৌরাং লৌখৎখি। লাইরিক অমদা সবজেক্ট খুদিংমক্কী চেপ্টর মরি/মরি য়াওহল্লগা অঙাংশিংদা শুপ্নগী লাইরিক অমখক পুহন্দুনা পাইলোট প্রোজেক্ট অমা পায়খৎখিবনি। অদুবু ষ্টেট অয়াম্বনা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী গাইদলাইন থৌশাদবা মওংদা অঙাংশিংবু অরূম-অরূম্বা স্কুল বেগ পুহনবগী মওং অমা উবা ফংখি। মণিপুরগী ওইনসু স্কুল অয়াম্বনা অঙাংশিং লাইরিক য়াম্না পুহনবা, হোম ৱর্ক য়াম্না পীবা অমসুং মখল-মখলগী যুনিফোর্ম শেংহনবদা অথোই-অহেন তান্নদুনা লাক্নি হায়বা য়াই। নৌরিবা অঙাংশিংবু চৈরাক পীবগী মওংদা চৎথরক্লিবা থৌওং অসিদগী কোকহন্নবগী পান্দমদা মণিপুর লৈঙাক্না থাংজ নুমীৎতা স্কুল বেগ পুহন্দনবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। অদুবু অতৈ অতোপ্পা নুমীৎশিংদসু স্কুল বেগকী অরূম্বা হন্থহনবা থৌরাং লৌখৎপা চুমগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মণিপুরগী ৱারী শীংবুন লানখি-শোয়খিদনবা হোৎনসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

সেপ্টেম্বর নোংজা ১, ২০১৯ ইংগী মতম-মতমগী ৱাফমদা, মাখোনমনি মোংসাবনা ইবা 'মৈতৈ পাংঙল অমদি মণিপুরী খুন্নাই' পারে অমসুং য়াম্না মরীক চুম্না মীতৈ পাংঙল হৌরকপা অমসুং মীতৈ চীংমী-তম্মী খুন্নাইগা থাদোক্নবা য়ারোইদবা নুংশি লিপূনগী ৱারোল ইরকপা য়াম্না নুংঙাইজখ্রে। মসিনা লৈবাক খুন্নাইগী নুংশি লিপূন্দা অকনবা লংলা অমা ওইনা পূনবা ওইরসনু। ইরক্লিবসিদা শকাব্দ অমসুং খৃষ্টাব্দ খজিক শোয়নবগুম তৌবা য়াওবদগী শোয়হন্নীংদুনা এদিটর ইবুংঙোদা চেবাউ ওইনা ইজবনি। লানখিবা ঙাকপীগনি।

মীতৈ লৈবাক (হৌজিক্কী মণিপুর) দা খাকিঙম্বা (খাগেম্বা) নিংথৌনা পাল্লিঙৈ শকাব্দ ১৫২৮ (খৃ: ১৬০৬) তা মীতৈ লৈবাক্তা পাঙল ১০০০ (ময়াং বাঙ্গাল) খুম্থোকপা হৌখিবনি। পাঙল ১০০০ অসি মনাও ইবুংঙো অতোনবা 'সানোংবগী' হি কায়বা ৱাথোক্কী লানদা লান পাংবা য়াওরকপা বাঙ্গলা লৈবাক্কী মীওই ১০০০ লানফা ওইনা ফাহৌবা বাঙ্গালি লোল ঙাঙবা মুসলমানশিং অদুবুনি পাঙল হায়রিবসি। মখোয় অদু মীতৈ লৈবাক্তদি ময়াং ওইরে। বেঙ্গোলি লোল ঙাঙবা ময়াং বাঙ্গালিশিং অদুবু মীতৈশিংনা লোনথৈদা 'পাংঙল' তাখিবনি হায়। মখোয় ময়াং বাঙ্গালশিং অদুবু মীত্রৈবাক্কী ময়ায় চবুক ওইবদা খুন্দা লৈতাহনখি হায়দুনা লমদম অদুবু 'ময়াং ইম্ফাল' হায়না হৌজিকসু হায়নরি। ময়াং বাঙ্গালিশিংনা খুন্দাখিবা অহানবা মফমনি হায়দুনসু 'ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন' হায়নসু কৌখি। ময়াং লৈবাক্কী বাঙ্গালি মুসলিমশিং অদুবু মীতৈশিংনা 'পাঙল' হায়না ঙসিসু হায়নরি/কৌনরি। মতমনা কুইরক্লবনা ঙসিদি মখোয় 'মীতৈ পাঙল' ওইরে। লৈবাকসিদা পাঙলনা খুন্দাবা হৌখিবসি মসিনা ইহান হানবনি হায়না ৱারী শীংবুন্না হায়রি। মখোয় লান লাকপনিনা মতু-মচা অমত্তা লোয়নরকপা নত্তে। মীতৈ নিংঙোল ময়াম অমা চীংমী ওইরো, তম্মী মীতৈ ওইরো পীদুনা খুন্দা লৈতাহন্দুনা মীতৈ ওইহনদুনা লৈখ্রবনি। মসিগী মখা তারকপা মীতৈ নিংথৌশিংগী মতমদা পাঙল (মুসলিম) কয়া অমসু খুন্থোরকখ্রবনি। শম্না 'ক্ষেত্রি বেঙ্গুল' হৌজিক্না 'ক্ষেত্রিগাও' হায়নরিবসিনি। চৈথারোল কুম্বাবা খৃ: ১০১৫গী লমায় ৩৩দা হায়রি, "হৈরাংখোংজম মোনসাংগী কুম শক ১৫২৮ (খৃ: ১৬০৬) ইবুংঙো শানোংবনচিংদুনা য়াংকোইরমদা ময়াং লাকএ হায়দুনা চৎএ। লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা ময়াং ঙমলৌএ। শানোংবসুং খামলৌএ। শাম-৩০, নোংমৈ ১০০০, পাংঙন পারা ১০০০ থাঙ শাবা, ধোবী, শগোল শেনবা, শামু শেনবা, অসি খৈবিক লোকলৌএ। লান্দি ১০০০ ফায়এ।" খৃ: ১৬৮৮ কুম শক ১৬০৯ হায়বসি চৈথারোল কুম্বাবগী লমায় ৫৩দদি 'চনম্বম চাওবগী কুম শক ১৬০৯ (খৃ: ১৬৮৭) ওই। অদুগা খৃ: ১৬৮৮দি কুম শক ১৬১০ হায়না ইরি। নিংথৌ পাইখোম্বনা পাল্লিঙৈনি। মসিবু চৈথারোল কুম্বাবনা শোয়নরিবরা য়েংশিনবা মথৌ তারি হায়জরি। মোগলদগী পাঙ্গল তাবসিসু খজিক্তং থৈনবরা খল্লি। মোগল লাকত্রিঙৈ মমাঙদা বাঙ্গালি লোল ঙাঙবা বাঙ্গলা মুসলমান লাকপনা হানখ্রে। মরমসিনা বঙ্গালিদগী 'পাংঙল' তাবনা হেন্না চুমগদ্রা খল্লি। শম্না লোইশিনজরে।

*অদোমগী - নিংঙোম্বম অমর (সিলহেনবা)*
*বাসিখোং কিত্না পনুং, ইম্ফাল নোংপোক*

# জম্মু কাশ্মীরদগী ওটোনোমি লৌথোকখিবদা মীয়ামদা করি মাঙজে, করি তোংজে

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

লৈবাক্কী লুরবা তানফমদা ইন্দিয়া মচাশিংসে লিংজেল য়াম্না মান্নদে হায়বা য়াই। জম্মু কাশ্মীরগী ৱাফমনি। মীয়াম্না হেন্না খঙনরে মদুদি জম্মু কাশ্মীরদা য়াম্না চাউনা ওটোনোমি পীরম্বা আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫এ ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা লৌথোকখ্রে। লিংজেল মান্নদবসি পার্লিয়ামেন্ট মনুংদগী অদুমক হৌরে। লোক সভা অমদি রাজ্য সভা অনীমক্তগী অদুম হৌরে। মীয়াম্না ভোট থাদদুনা এম পি ওইনা খনখিবা মীহুৎশিংদুনা হান্না মরৈ য়েৎনবা হৌরকই। মীচম মীয়ামদি লিংজেল মান্নদবগী মওং উবা ফংদ্রি। পোলিটিকেল পার্টি কয়াসু ওটোনোমি লৌথোকখিবসিদা য়ানীংদবগী ৱা য়াম্না ঙাঙলি। পার্টি কয়া অমদি সেন্টরগী খোঙথাং অসিদা য়ানীংবা ফোঙদোকখি অমদি চহী কয়াগী মমাঙদা ঙন্না তৌরমগদবনি হায়রি। লৈবাক অসিগী মীওই কয়া অমসু ওটোনোমি লৌথোকখিবসি য়াম্না চাউনা থাগৎলি। মসিদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লিবা পোলিটিকেল পার্টিসু মশীং য়াম্বা নত্তে অদুগা মীচমসু মশীং য়াম্বা নত্তে। মসিনা তাকপদি লৈবাক্কী লুরবা তানফমদা লৈবাকমচাশিংসি লিংজেল মান্নদ্রে হায়বদু ইফোং-ফোংনা উবা ফংলে।

পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসন পার্টিশিংনা মরুওইনা কোংগ্রেস পার্টি, কম্যুনিষ্ট পার্টি, দি এম কে, জনতা দল, এন সী পি, তৃণমুল কোংগ্রেস অমদি পার্টিশিংনা আর্টিকল অনীসি সেন্টরনা লৌথোকপগী চথখিবা মওং অসি দেমোক্রেটিক, কন্সটিট্যুসনেল ওইদে হায়দুনা য়েৎলি। মসিগীসু মথক্তা জম্মু কাশ্মীরগী গবর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা লৌথোকই হায়বসিনি। মসিখক্তা নত্তে ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা য়াওরিবা আর্টিকল অনী অসি লৌথোকপা য়াবা নত্তে হায়। পার্লিয়ামেন্টতা বিল অসি পুথোকপা মতমদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টরশিং, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরুওইবা লুচিংবশিং, হুরিয়টকী মকোক থোংবা লুচিংবশিং ময়ূমদগী মপান থোকহন্দনা হাওস এরেষ্ট তৌদুনা থম্মী হায়না য়ানীংদবা ফোঙদোকই। মসিমসু হায়দবা নত্তে জম্মু কাশ্মীরগী মীয়ামগা ৱা তানরমদে হায়বসিনি। অপূনবা ইন্দিয়া অমগীদমক্তদি হায়রিবা আর্টিকল অনী অসি লৌথোকপা য়াম্নমক তঙাইফদ্রে। মালেমগী য়ামখ্রবা লৈবাক কয়াসিদা করম্বা লৈবাক্তা কন্সটিট্যুসন অনী চৎনবা লৈ, নেসনল ফ্লেগ অনী চৎনবা লৈ, কন্সটিট্যুসনেল এসেমব্লিগী টর্ম অসিগী ষ্টেট অমগা ষ্টেট অমগা মান্নদবসি থেংনব্রা? থেংনদে ঙাক্তা হায়নরক্কনি য়ামখ্রবা মীয়ামসিনা। অদুবু ইন্দিয়াদদি লৈরে জম্মু কাশ্মীরগী তোঙানবা কন্সটিট্যুসন অমা ইন্দিয়াগী ওইবা তোঙানবা কন্সটিট্যুসন অমা অদুগা তোঙানবা জম্মু কাশ্মীর ষ্টেটখক্তগী ওইবা ফিরাল অমা অদুগা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইবা তোঙানবা ফিরাল অমা। ঙসি ঙরাংখক্তা নত্তে লৈরক্লিবসি শাংলবা চহী ৭৫ হায়বদি কুমজা ১৯৫৪দগী লৈরক্লবনি। ইন্দিয়াগী য়ামখ্রবা ষ্টেট পূম্নমক্তা এসেমব্লিগী টর্মসি চহী মঙা ওইবদা জম্মু কাশ্মীরদদি শাংলবা চহী ৭৫ অসি চহী তরুক ওইদুনা লাক্লিবনি। শম্না হায়রবদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ময়ামসিগা জম্মু কাশ্মীরগা খেন্নবা য়াম্না লৈরে। ষ্টেট ময়ামসিগী মশা-মশাগী তোঙানবা কন্সটিট্যুসন অমদি ফিরাল লৈজদে। ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা কন্সটিট্যুসন অমখক লৈরিবা অদুগা ফিরাল অমখক লৈরিবসি ওইনা চৎনরি। পূম্নমক অসিনা তাকপদি জম্মু কাশ্মীরগী ষ্টেট গবর্ণমেন্টনা মখোয়গী লৈঙাকপগী মথক্তা মখোয়গী কন্সটিট্যুসন অদুদা করি হায়রি, করি ইরি হায়বদু য়েংলগা লৈঙাক্লে। শম্না হায়রবদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন য়েংলগা ষ্টেট গবর্ণমেন্টনা থবক তৌদ্রে হায়বসি তাকপনি।

আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এ অসিনা জম্মু কাশ্মীরবু লৈঙাকপগী য়াঙলেন শরূ ওইদুনা চহী ৭৫ চূপ্না লৈরকপসিদা যূমথংনবা পাকিস্তান্না লৈবাক কায়নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎপদা মতেং য়াম্না পাংলে করিগীনো হায়বদা তোঙান তোঙানবা ফিরাল অমদি তোঙান তোঙানবা কন্সটিট্যুসন চৎনরবনিনা জম্মু কাশ্মীর ষ্টেট অসি কন্সটিট্যুসন্না য়ারবা ইন্দিয়াগী লম অমা ঙসিফাওবা ওইরি হায়না লান্না লৌরি। মালেমগী ওইনা য়েংবা তারবসু দেমোক্রেটিক ওইরবা, রিপব্লিক ওইরবা লৈবাক অমদা শুপ্নতগী ফিরাল অমা অদুগা কন্সটিট্যুসন অমখক্তনি লৈরিবা। অমমমসিনা লৈবাক পূম্নমক্কী মশাগী শক্তম তাক্লিবনি। ফিরাল অসি কন্সটিট্যুসন অনী শুরবদি লৈবাক অদুগী শক্তম অদু করম্বা শক্তমনি হায়না লৌগনি হায়বা ৱা লাকই। চয়েৎনবা অমা লাকই, মরমদি ইন্দিয়ানসু জম্মু কাশ্মীরসি ইন্দিয়াগী লেংদ্রবা শরুক অমনি হায়গনি অদুগা মসিগা চপ মান্ননা পাকিস্তান্নসু হায়রি জম্মু কাশ্মীর ঐখোয়গী লমনি ইন্দিয়ানা নমদুনা খুদুম চনশিনখিবনি। মসি হায়বদা য়াম্না পকচবা অমনা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন অসিগী আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এদা জম্মু কাশ্মীরগী তোঙানবা কন্সটিট্যুসন, ফিরাল, এসেমব্লিগী মতম চহী ৬ ওইবা, জম্মু কাশ্মীরদা কাশ্মীরি নত্তবা মী লৈবা য়াদবা হায়বা ৱাফমদু ইদুনা লৈবদগীনি। মসি কনানসু ইশিনখিবা নত্তে ইনি দয়া মচাননি। কুমজা ১৯৫৪দা জৱাহরলাল নেহরুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা হাপচিনখবনি। মতমদু কোংগ্রেস পার্টিনা গবর্ণমেন্ট পায়রিঙৈ মতমদা থোকখিবনি। ঙসিদি পাকিস্তান্না জম্মু কাশ্মীরগী মীয়ামদা চিরোল তৌদুনা তোখায় তানবা খূৎলায় পায়বগী ত্রেনিং পীরে, চঙজফম পীরে, লালহৌবগী থবক কয়াদা শীজিন্নবা চাউনা শেল থাদবদগী জম্মু কাশ্মীর অচৌবা লানফম অমগুল্লে। কাশ্মীরগী নহাশিং, নুপি য়াওনা মশাগী সেক্যুরিটি ফোর্সতা নূংনা থোমদুনা লান্দারে, পাকিস্তানগী ফিরাল চিংখৎলে। ফোঙনা পাকিস্তান্দা তিঞ্জরগে হায়না লাউরে। পাকিস্তান্নসু ফোঙনা লাউবা হৌরে। ৱাফমসিমক পন্দুনা মালেমগী ফোরম কয়াদা।

হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী ফীভম শাথিনা শোক্লে। খোঙফম চাহৌদ্রবদি জম্মু কাশ্মীর নান্থোকখিবা য়াই। করিগুম্বা ফীভম অসিনা কুইশিল্লক্লবদি। লৈবাক অসিগী মায় খুনিংঙাই ওইরে। মীওই কয়াগী থৱায় মাঙখ্রে। অরেম্বদা মমল য়াম্লবা শেল অমদি মশা মাঙখ্রে। আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এনা লায়েংবদা ৱারগদবা অচৌবা লায়না অমা ওইহল্লে। মালেমগী অচৌবা লৈবাক কয়ানসু মীৎয়েং চংদুনা লৈরি। মরম অদুনা আর্টিকল অনী অসি লৌথোক্লবদি য়াম্না ফগনি হায়বসি মমাঙদা পানখিবা সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টশিংনা খন্নবা ৱাফম অমনি। অদুবু ঙমখিদে করিনা হায়ববু মদুদা থোক্লক্কদবা ঈরাং অদু থেংনবা কি, কোক চিকনীংদে অসিনি। হৌজিক্তি জম্মু কাশ্মীরগী তোঙানবা ফিরাল, তোঙানবা কন্সটিট্যুসন লৈরম্বদু লৈত্রে। ইন্দিয়াগী মনুংদদি লৈরগা মনীংতম্বা লৈবাক অমা লৈবদৌনা মরিং-মরাংনা লৈরম্বা জম্মু কাশ্মীর ইন্দিয়াগী ফিরাল/কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লৈরবা যুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইরে। হান্নদি মদু ওইরমদে। হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী য়াম্লবা ষ্টেট ময়ামসিগা মান্ননা লৈরে। হৌজিক্তি পাকিস্তান্না জম্মু কাশ্মীরবু তোঙানবা লৈবাক অমা ওইনা উনবা হোৎনবদু য়াররোই। টেররিষ্টশিং থাজিনবা, মীয়াম হুপ্না সেক্যুরিটি ফোর্সতা নূং থাহনবা, পাকিস্তানগী ফিরাল চিংখৎহনবা, তোখায় তাবা পাম্বা হুরিয়টকী কাঙবুনা ইন্দিয়া নত্তে হায়হনবা, মীয়াম্বু লান্না হু কামশিনবদু য়াররোই। করিগুম্বা হায়রিবশিং অসি মখা চত্থরবদি অতোপ্পা লৈবাক অমা কায়নবা লান তৌবগা মান্নরনি। মসিদগী য়ু এন য়াওনা লৈবাক কয়ানা পাকিস্তানবু ইন্থোক্তুনা চৈরাক কয়া পীরনি। মদুদগী পাকিস্তান হিংবা ৱারনি। টেররিষ্ট য়োকখৎলুবা পাকিস্তান টেররিষ্টশিংনা ওনশিন্দুনা চারনি। মতমদুদা জম্মু কাশ্মীরদা ঈরাং হন্থরক্কনি। জম্মু কাশ্মীরদা তোঙানবা কন্সটিট্যুসন লৈবনা নূং থাবা পাকিস্তানগী ফিরাল চিংখৎপা, পাকিস্তানগী লমনি হায়বা, ইন্দিয়াগী ফিরাল মৈ থাবা, হুরিয়ট লুচিংবশিংনা ফোঙনা পাকিস্তান্দা তিল্লনি হায়বদা পুলিসনা ফাদুনা চৈরাক পীবা ঙমদে। ঙসিদি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন চৎনরবনিনা ফারগা চৈরাক পীবা ঙম্লগনি। মসিনি আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এদা লৈবা/লৈতবগী খেন্নবসি।

ফীভম অসিদা কোংগ্রেস, কম্যুনিষ্ট য়াওনা আর্টিকলসি লৌথোকপদা মরৈ তৌবসি লৈবাক্কী ওইনা থোয়দোক্না কান্নবা নত্তে। জম্মু কাশ্মীর ষ্টেট গবর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা আর্টিকলশিংসি লৌথোকই হায়বদুদি থোয়দোক্না চুনদে। য়েৎতবা য়াদবগী য়েৎপা ৱায়েৎনি মরমদি জম্মু কাশ্মীরদা গবর্ণমেন্ট লৈতবা নত্তে লৈরি। গবর্ণর রুলগী মখাদা গবর্ণমেন্ট অমনা লৈঙাক্লি। মদুগী গবর্ণমেন্ট অদুনা রিকমেন্দ তৌরকপদুনা আর্টিকলশিংদু প্রসিদেন্টনা লৌথোকপগী চেরোল থোকখিবনি। মদু নৎত্রবদি প্রসিদেন্টনা চে থোকপা ঙমদে। গবর্ণমেন্ট হায়বসিদা মিনিষ্টরশিং লৈবা/লৈতবা হায়বা য়াওদে। ফাগিগী চে প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা থারুবা য়াদে, চৈরাক্তুম ফংগনি। মিনিষ্টরশিং লৈবা গবর্ণমেন্ট লৈরম্লবদি (জম্মু কাশ্মীর) আর্টিকল অনীসি লৌথোক্নবা খন্নরকপদা এসেমব্লিদা চরাংনবা থোক্কনি। অদুগা ৱারেপসু লৌবা ঙম্লোই। নূং থাবা কাঙবু লম্বীদা ঈরাং তৌরক্কনি, টেররিষ্টশিং মী হাৎলক্কনি, হুরিয়ৎ লুচিংবশিংনা পাকিস্তান্দা তিন্নবগী ঈরাং হৌদুনা ওন্থোকপা ফীভম অমা ওইরমগনি। প্রসিদেন্টনা আর্টিকল অনীদু লৌথোকপগী চে থোকখ্রবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টতা অয়াবা লৌনবা পুথোক্লিবদুদি জম্মু কাশ্মীরবু ইন্দিয়াগী মপূং ফাবা লম অমা ওইনবা রিওর্গেনাইজেসন বিলনি। যুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্না খায়দোক্লবগী বিলনি। মসিদসু য়ু এননা ৱায়েল্লগা লৈরিবা জম্মু কাশ্মীরদা যুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্না খায়দোকপসি চুমদে, মীয়ামগী রাইট মৎপনি হায়দুনা কোংগ্রেস পার্টিনা চাউনা মরৈ য়েৎলি। ওটোনোমী পীরগা লৈরম্বা জম্মু কাশ্মীরদু মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরমদে। ওটোনোমীদু লৌথোকখ্রবা মতুংদা করি ওইনা লৈরি হায়বদু তাউদুনা লৈগনি। অদুনা ষ্টেট নৎত্রগা যুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লৌশিনবসিনা লোগী মীৎয়েংদা খ্বাইদগী চুম্বা খোঙথাংনি। জম্মু কাশ্মীরবু ষ্টেট অমগী থাক্তসু অমুক পুখৎকদৌরি। লৈবাকসিগী ওইবা কান্নবা থবক অমদা মরৈ কংয়েৎ য়েৎপনা য়েক্লবা পাকিস্তান্না হেন্না খুদোংচাবা লৌরি। য়েৎলিবনি হায়দুনসু পরম চুমদ্রবদি মদু দেমোক্রেসি নত্তে।

মোবাইল ফোন, ইন্টরনেট থিংলমদ্রবা কান্নদবদা শন্দোরকপা তোকঙা ময়াম্না মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙলমগনি। লৈবাক্কী ওইবা কান্নবা থবক তৌবা য়ারল্লোই। পাকিস্তানগা অকনবা লানফম অমা শোক্নরম্বা য়াই। মরুওইবা মীওই কয়া ময়ূমদগী হেন্দোকহন্দনা থল্লমদ্রবদি মীয়ামদা ইনশিন্দুনা অচৌবা ৱাথোক ওইরক্কনি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা ৱায়েনবগী থৌদাং লৌরক্তুনা জম্মু কাশ্মীর শায়েন-ঙায়েন্নখিবা য়াই। অফবা লৈবাক্কীদমক ওইরবদি অথিংবশিং অসি থম্বদা কায়দে। সুপ্রিম কোর্টনসু হায়র গবর্ণমেন্ট অসিদা থাজবা থম্মু। শান্তি ওইনবা হোৎনবদা মতম খরদি চংগনি। জম্মু কাশ্মীরগী মতাংদা পোলিটিকেল ওইবা থবক তৌগনু হায়রি লৈবাক মীয়ামদা। মসি ৱাহন্থোক য়াম্না লৈবনি। টেররিষ্ট ৱুরহান ৱানি হাৎখিবদা মীয়াম্না থা অনী হেন্না লম্বীদা থোক্তুনা নূংনা থাদুনা, মৈ থাদুনা ঈরাং তৌখি। মতমদুদা ইন্টরনেট, মোবাইল ফোন, কার্ফিয়ু থমখি। মদুদনা জম্মু কাশ্মীরগী রাইট মাঙহল্লে হায়খিদে। ঙসিনা করিগী হায়রিবা? মসি খন্থনীংঙাইনি।

সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা গবর্ণমেন্ট অসিগী মথৌনা থাগৎতবা ঙমদে। মরুওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী থৌনা অমদি ফিরেপ অদু থাগৎলি। মনা মনিল নাইদনা লৈবাক অসিনা য়াম্না মথৌ তাদুনা চহী কয়াদগী লাক্লবা থবক্তু ঈংনা-চিক্না পাঙথোক্লবা পোরম য়াৎপা ঙম্বা অদুনি অহৈবা হায়রিবসি। হন্দক্কী থৌওং অসি চুম্মী হায়বগী খুদমদি মালেমগী লৈবাক কয়ানা শৌগৎলকপা অসিনি। আর্টিকল অনী অসি লৌথোকপদা মীওই কয়া অকিবা পোক্লে। য়াম্না পোকখায়গনবা বোম পায়দুনা শান্নবনি হায়না খন্নে। অদুনা তৌনীংদে। মতম মতমগী য়ান-য়ানবা চৎখিনবা হোৎনৈ। অদুবু মোদিদি মদু নত্তে থবক ওইনা পাঙথোকই। তুংদা থোক্লকপা পূম্নমক থেংননবা অকনবা ফিরেপ লৌই। বি জে পি গবর্ণমেন্ট মনুংদা ওইরবসু মহাক য়াওরমদ্রবদি থবক অসি ওইথোক্লোই। ওইথোক্কনি খল্লুদ্রবা থবক অদু মহাক্না থৌনা লৈনা লৈবাক্কীদমক পাঙথোক্লকপসিদা পোলিটিকেল পার্টি খরা/মীওই খরনা কল্লকপা-কঞ্জাওবা ফাওবনি। ●

# চীনগা খূৎকা মান্নদ্রবসু থম্মোয়গা খূৎকদি মান্নরি

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিক্তগী ৱা নত্তে, মতম কুইরবগী মমাঙদগী হৌনা ইরমদমসিগী মীচম-মীয়াম ঐখোয়সি চীনগা খূৎকদি অয়াম্বা মতমদা মান্নদ্রবসু থম্মোয়গা খূৎকদি অদুম্মক মান্নরি। চীনগা, খূৎকা, থম্মোয়গা অহুম্মক মান্নবা ঙমদবগী অশোনবসিনা মতম পূম্বদা লমদমসিগী মীচম-মীয়াম ওইরিবা ঐখোয়না তৌজরুবা থবক খুদিংমক্তা মায় পাকপা হায়বদু খক ওইরকত্রি। অদুম ওইনমক ইরমদমসিগী মীচম-মীয়ামসি পূনমিন্ননবা হোৎনবদা খরদং ৱাজরবসু পূনবু পূনমিন্নখ্রবদি শিগনি, নাগনি খঙদবা মখৈ থাজদনা থৱায় ফাওবা হেক্তা কথোক্লবা ঙম্বগী থৌনাদুদি য়াম্না ময়েক শেংনা লৈ। থম্মোয়দনা অমা খনবা, চীনদনা অমা ফোঙদোকপা অমসুং খূৎনা তৌথোক্লকপদনা থম্মোয় মনুংগী ৱাদু খক্তমক তৌথোক্লকপগী থৌদৌসিমক্তং থাদোকমিন্নদুনা চীনসু, খূৎসু, থম্মোয়সু অহুম্মকসি পূন্না মান্নবা ঙম্বগী থৌনাদুমক্তং ইরমদমসিগী মীয়াম ঐখোয়সিনা চেনমিন্নবা ঙম্লবদি ইরমদমসিদা অহোংবা খরদি শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি খল্লি। পুরক্কদৌরিবা অহোংবশিংদু অফবা অমসুং কান্নগদবা লম্বীরোমদা ঙাক্তা ওইগনি। অফবা অমসুং কান্নগদবা লম্বী হায়বসিদা চাওখৎপা হায়বসিসু মশানা অদুম্মক য়াওরবনি। ঐখোয়না ইলেক্সন্দা চীন্না ওইদবা কয়া ঙাঙদুনা, ঙাঙলিবা খুদিংমক্তু অচুম্বা ঙাক্তা মালহল্লবসু ভোট থাদরমদাইগী মতমদদি শুপ্নগী থম্মোয়নুংদা লোত্তুনা থল্লিবা ইশানা পামজবা কেন্দিদেটতু খক্তদা ইখূৎমকসিনা ভোট থাদনবা ঙাক্তনি। ইশাগী চীনগা, ইশাগী খূৎ অমদি থম্মোয়গা কৈদৌঙৈদা খক মান্ননা চৎপা ঐখোয়না ঙমদ্রি। মসিমক লমদমসিগী মীয়াম ওইরিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবা থৌদৌ অমনি। থৌদৌসিমক্তনা ঐখোয় ইশানা ইশাবু মতম শাংনা ৱাহন্নবা, ইলেক্সনগী মতমদা শেরান্নবা লম্বীদা ইতোম-ইতোমতনা নমদুনা লমজিংজরি। করম্বা নুমিৎ-থাদা ঐখোয় পূম্নমক্না থৌদৌসিদগী হোংলক্কদৌরিবনো হায়বা ঙমদ্রি।

ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা ইরমদমসিগী মীয়াম্না মতম-মতমদুগী পাল্লম্বা লৈঙাকশিংগী মফমদা মখল মখা কয়ামরুমগী ৱাকৎশিং থাঙ্গৎতুনা খোঙজং কয়ামরুম চঙশিল্লক্লি। হৌজিকসু পান্দম কয়ামরুম অমগী ৱাকৎশিং থাঙ্গৎতুনা খোঙজং কয়ামরুম অমা চঙশিনবা লেপ্পা লৈত্রি। খোঙজংশিংসি অরেম্বদা চঙশিনবা অমত্তা নত্তে। খোঙজং খুদিংমক তঙাইফদনা চঙশিন্দবা য়াদবদগী চঙশিনবা খোঙজংশিং ঙাক্তনি। মরম চাদনা অরেম্বদা ঈহৌ শাগৎতুনা খোঙজংশিং চঙশিনবা খক ওইথোক্লোই। অদুবু মতম মতমদুদা পাল্লম্বা লৈঙাকশিং অমত্তনা ইরমদমসিগী মীয়ামগী ৱাকৎশিং অমত্তসু মনুং-মতম চানা তাবীখিবা লৈখিদে অমসুং পান্দম ফংনবা তাল্লিবা দিমান্দশিংদু অমত্তা ফাওবা লৈঙাক্না পীথোকপীখিবা থেংনদে। মতাংসিদা হংনীংবা ৱাহং কয়ামুক চোংথোক্লককই। মরুওইনা, লমদমসিদা ভোট লেপ্লগা ভোট কারক্তুনা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং ওইরক্লিবা লমদমসিগী লৈঙাক ঙাক্লিবা লৈঙাক্লোয়শিংসি মথংগী টর্মদসু তেক্তা-কায়দনা ভোট কাবা পামদবা মীওইশিং অমত্তা য়াওরল্লোই। এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টর ওইরিবা মীওই খুদিংমক্না খ্বাইদগী শোন্থবা মফম হায়বসি মথংগী ইলেক্সন্দা মহাক্না ভোট কাররোইদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোনসিদা খক্তনি। ৱাখল্লোনসিদা লাইনীং ওইরিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংনা লৈবাকসিগী ভোট্টর লিশীং-লিশীংনা খুজিং ওইরগা লৈঙাক্কী মায়োক্তা হৌরকপা ৱাকৎ ঈহৌশিংদা লৈঙাক্না পূক্নিং চিংশিন্দবা হায়বসি ওইফম থোক্তবা থৌদৌ অমা নৎত্রগা মপা চানদবা লীচৎ অমনি। অসিগুম্বা থৌদৌ নৎত্রগা লিচৎসি ঙসিগী এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টরশিংসিনা ইরায়-ইরায় লায়না করিসু খন্নদবা মওংদা লৈথোকপা ঙম্নরিবসিগী মরম শোয়দনা লৈরমগনি। শেলনা ভোট লৈবনি, ভোট্টরশিংগী মীনুংশি অমদি মখোয়গী থৌজালগী ৱাখল্লোনশিং হৌজিক্কী মতমসিগী ইলেক্সন্দা মথৌ তাদ্রে হায়রিব্রা নৎত্রগা মরন্নাইগী ওইবা ৱাখল্লোন্না মাঙজিন থাদুনা মীয়ামগী খনবা ঙম্লরোই নীংলিব্রা অমদি শোয়দনা ওইরম্ফম থোকই। অদুবু মতমসিগী লৈঙাক্লোইশিং ওইরিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংসিনা লৌনীংবা ফিরেপশিং লৌদুনসু, ফাওনীংবা ৱাখল্লোনশিং ফাওদুনসু মতমসিগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংনা লৈবাকসিগী মীচম-মীয়ামশিংবু থোয়দোক্না লুনা লৌরুদবগী য়াম্না মরুওইবা মরম অমদি পুমতোং-তোংঙান্না লৈফম থোকই খল্লি। মরমদুদি, ইরমদমসিগী ভোট্টরশিংনা মীয়াম হুপ্না লৈঙাক্কী মায়োক্তা ফনা য়াম্না অপূনবগী শক্তম উত্তুনা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনসু অমদি পেন্দবগী খোল্লাউশিং লাউদুনসু ভোটকী মতমদদি ইরমদমসিগী ভোট্টর খুদিংমক্তা কৈদৌঙৈদা খক চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদুগী মমি মচেৎ অমা ফাওবা তারক্তে হায়বসি লমদমসিগী লৈঙাক্লোয়শিংনা শোয়দনমক্কী য়াম্না ময়েক শেংনা খঙলমগনি। ফীভমসিদনি মথক্তা পনখ্রিবা চীন্দনা অমা ঙাঙবা, থম্মোয়দনা অমা খনবা, থবক ওইনা খূৎনা তৌথোক্লককপদনা চীন্না হায়দোকখিবশিংদুদা খক তৌথোক্লক্তবা, শুপ্নতগী মথম্মোয়দা হান্নদগী হৌনা ফুমদুনা থল্লকখ্রবা পোৎশক্তুদা খক্তা থবক ওইনা পাঙথোক্লককপগী হৈনবী লমদমসিগী মীয়ামগী মফমদা লৈ হায়রিবসি। থৌদৌসি লমদমসিগী লৈঙাক্লোয়শিংসিনা মমুৎ তানা খঙবনা লমদমসিগী ভোট্টর লিশীং-লিশীংনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা মশীং থীঙমদবা ঈহৌ কয়ামরুম হৌরকপদা থওই-ৱাওইদনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা ঙল্লিবনি। লমদমসিগী ভোট্টরশিংনা ফীভমসি হোংদোকপা ঙম্নবা হোৎনবগী মথৌ তাই।

দিমোক্রেসিগী পাক চাউরবা ৱাহন্থোকশিং, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী চীনফা পুবদা ৱারগদবা চগুংনরবা পাড়াশিং ইরমদমসিগী নুংশিজরবা, চমজরবা মীচম-মীয়ামগী মফমদা খক নৈনদবা য়াদে, নৈনৌ কনামতনা হায়দে। পূম্নমক্তু নমদুনা নৈনহন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাফমসু খক লৈতে। তৌইগুম্বসুং শুপ্নগী ভোট্টর অমা হায়বদু খক্তংদি নমদুনা ওইবীয়ু হায়বা ৱাফম ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না লৈবাকসিগী মীচম মীয়ামগী মফমদা ফোঙদোকপা লৈ। শুপ্নগী অপাম্বা কেন্দিদেটতুগী মপাদা খুদোম্বীনা কিৎ নম্বীরল্লগা লোইরে, ...বস, মদুনি ভোট থাদবা হায়বদু, লোইরে। তৌবতবু, ভোট থাদদ্রিঙৈগী মমাঙদা নঙনা-নঙনা পামজবা কেন্দিদেট মশক খঙউ (নোউ য়োর কেন্দিদেট) হায়বা ৱাফমসিদনি খজিক্তং খন্থমিন্নহৌগদবা অমা ওইরিবসি। মসিসু মীচম মীয়াম্না ইশা-ইশাগী চহী তরানিপান হেক শুরকপা মতম, ভোট্টর অমা ওইরকপদগী হৌনা অদুম্মক থেংনদুনতা লাক্লবা ৱাফমনি। অদুমকপু ঙসি ফাওবগী মনুংদা উৎ-পাৎ তৌবদা হৈনবা, খূবাক ময়ায়দা শগুন তৌবা ঙম্বা লমদমসিগী লৈঙাক্লোন নৈনবা পোলিটিসিয়নশিংনা ইরমদমসিগী চমজরবা ভোট্টর ইচিন-ইনাওশিং, ইচে-ইচনশিং খুদিংমকপু অপংবা শীবীদুনা অমদি নমথাক তৌবীদুনা খুদোংচাবশিং মৎপা হৌরক্লিবসিসু মসিৱাইগী তাঞ্জাসিদনি। মতাংসিদনি ঐখোয়না কেন্দিদেট মশক খঙনা ভোট পীহৌসি পল্লিবসি। ইরমদমসিগী ভোট্টর খুদিংমক্না হৌজিক্তি তোয়না থেংনমল্লকপদগী 'নোউ য়োর কেন্দিদেট' ইলেক্সনগী 'কে ৱাই সী' বু ময়েক শেংনা খঙলে হায়না লায়থোক্লুবদগী নৎত্রগা হেঞ্জিন্না খঙজিল্লুবদগী ইরমদমসিগী ইলেক্সনগী রিজল্টনা ঙসিগী ফীভমসি য়ৌখিবনি। হৌজিক্তি লমদমসিগী ইলেক্সনগী ফীভমসি পুমনৌ নৌনা, মকোক্তগী অমুক হন্না হৌরকত্রবদি মহৈগী লাইরেম্বীমক্না লাক্তুনা হোৎপদসু ফল তাগদবা অঙ্ক ওইদ্রে। মসিনি হৌজিক ওইরিবা ইরমদমসিগী ইলেক্সনগী মওংসি, লায়েংবদা ৱারগদবা ইলেক্সননি। মওং অমা নৎত্রগা অমনা লমদমসিদা চত্থরক্লিবা ইলেক্সনগী ফীভমসি নমদুনা অমুক্তং হোংহন্নবা হোৎনমিন্নদবা য়ারোই। হৌজিক-হৌজিক চত্থরিবা ইরমদমসিগী ইলেক্সনসিদি তশেংনা শেন্দোং তানফম ওইরবা 'পৱার গেম' মখল অমা হায়দু ওইরে।

"লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোইশিংনা শুপ্নগী ইলেক্সন ময়াগী মতমদা খক্তা অতেনবা মতম খরগীদমক লৈবাক মীয়ামগী মায়কৈরোমদা ওনশিন্দুনা চৎমিন্নরম্বা, ইলেক্সন হেক লোইখিবগা কনামতগী ৱা তাদনা নিংথৌরেলগুম মথন্তা মনীং-মখা তমখিবা" - ৱারীসিনা নাকোঙ শীংজা য়ৈরবা মতমসিদা ইরমদমসিগী ভোট্টরশিংনা মহৌশাগী মহৌশা অদুম্মক ইচম-চম্না লৈথোকপদি লানগনি। লমদমসিগী ভোট্টর ওইরিবা লৈবাক মীয়াম্না উদগী তাবমুক পংনা অমদি হঞ্জিন-হঞ্জিন হৌদোকপদা তাদ্রবা তূমদবা মীশক অমগুম হৌদোকপদা মীকপ থোক্তবা, ৱাখল মোন্দ্রং শান্নবগী মওংসিনা কান্নবা করিসু ফংলোই। মীকপ থোক্লককপদা লোক্লুংগী শুরুংদা তারমদুনা অৱাবা মায়োক্লগনি। মতমসিগী অঙম্বশিংনা মতমসিদা শান্নরিবা গেম খুদিংমক পূম্নমক মীনম্বা ঙাক্তনি, ওইদ-পাদবশিংগী নমথাক মক্তনি। মীনা মীবু নমথনবা থাকপা লাং, মীয়ামগী রাইট মৎলগা মরন্নাই শেন্দোং তানশিন্নবগী কুম্মৈ ঙাক্তনি। ফীভমসিদা ইরমদমসিগী ভোট্টর ইচিন-ইনাওশিং, ইচন-ইচেশিং খুদিংমক মীকপ থোক্তবা মখৈ অমুক হন্না তূমদুনা লৈথোকখিদ্রা?

- "ব্রি ৱান্ট জষ্টিশ, ব্রি ৱান্ট ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন"...। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।